# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হন্না য়েংশিনখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা মরি অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৩) ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎতা শরুক য়ারিবা লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

-----

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মন্ত্রিশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওবা মীফম অমনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থবকশিং হেন্না খোঙজেল য়াংনা পায়খৎনবা অমসুং শিক্ষা, অনা লায়েং অমদি লন্মী-থোংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা অৱাবা নংলবা কাংলুপ অনিগী মীয়ামগী পুন্সি তুং কোইনা তংদু লৈতানা লৈহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা, হেন্না মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা অমসুং মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং থুংহনবা ঙম্বা সরকার অমা ওইনা থবক তৌনবগী ৱাফমশিংসু মীফম অদুদা খন্নখি।

আইদিপি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা পুন্না লুপা কোতি ৩৩ গী শেনফম য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী নেসনেল গেমস ভিলেজগী অল্টরনেট হাউজিং কমপ্লেক্সতা লৈবা রিলিফ কেম্পতা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা শেনফমশিং অদু দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখি। তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা থৌরম অদু শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প কয়াদসু এম.এল.এশিংনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা তেংবাং শেল য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী তুরিষ্ট রিজোর্ট সেন্দ্র হিললোক রিলিফ কেম্প ব্লোক-এ অমসুং বিদসু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী লমজিং মখাদা লংথবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ করাম শ্যামনা মফম অদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা লুপা লিশিং ২০-২০ গী শেনফম অনিসুবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী শ্যামনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা সরকার অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা হোৎনবতা নত্তনা মখোয়বু তুং কোইনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহন্নবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনদুনা হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকবা সরকার অসিনা লেপ্তুনা হোৎনরি। লাঞ্জেন্নরকপা মীয়াম্বু মশা মশাগী লৈফমদা হঞ্জিনদুনা শান্তি ওইনা লৈবা য়ানবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা শ্রী শ্যামনা আপীল তৌখি।

রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা ফিশাকোলগী শঙ অমগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা অদু শেমজিন্নবা মহাক মশাগী মাইকৈদগী তোঙান্না লুপা লিশিং ৫০ অমসু মতেং পাংলমখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

সাইকুলগী এম.এল.এ- কিমনিও হাংসিং শরুক য়াদুনা কাংপোকপী জিলাগী লুংতিন রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা মুখ্য মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা তেংবাং শেল য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি কিমনিও হাংসিংনা হায়- অনিসুবা ইন্সটোলমেন্টকী ওইনা তেংবাংগী শেল য়েন্থোক্লিবা অসিনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী অৱাৎ অপাশিং মেনখৎপদা মতেং পাংলগনি। মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমদি মীওইবা অমা ওইবগী ইকায় খুমবা পুমমক ফংহন্নবা সরকার অসিনা চপ চানা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা পীবনি হায়নসু শ্রীমতি কিমনিওনা মখা তানা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কৈরক অৱাং লৌকোল-চীংগোল এরিয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, লোকেল মেদ লেথোদ গন অনি, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল অনি, টিয়ার স্মোক সেল ৭, ট্যুব লোঞ্চিং দিভাই অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, আই.দি.এল এক্সপ্লোসিভ অনি, হেলমেট অনি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমা অমসুং নোংমৈ মরু ১০ য়াওরি।

অমরোমদা, নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা মালোম তুলিহল মখা লৈকাইদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা খেৱা বজারদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু ফাখি।

শিংজমৈ চীংঙা মখা অমসুং পোরোমপাৎ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফাখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মরু মরি, হোন্দা এক্তিভা স্কুতর অমা ফংলে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবা মাওইশিংনি হায়রি।

পিএম ঃ নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎতা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম লোইরবা তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী লাকখিবা লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার কয়ামরুম য়াওখিবা মীফম অদুনা এ.আই, টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। এ.আইগী থৌদাং, মালেমগী ওইনা চুংশিন্নবগী ফিভম হেনগৎহন্নবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা এ.আইবু হেন্না শিজিন্ননবগী ৱাফম কয়ামরুমসু মীফম অদুদা খন্নখি।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি অসামগী কছার জিলাদা ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টু হৌদোক্লগনি। কুমজা ২০৪৭ তা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙমখৈ লমদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা অমসুং মখোয়বু অশোই অঙাম থোকহন্দনা লৈহন্নবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি।

শেনবা চহি ২০২৮-২৯ ফাওবগী মনুংদা স্কিম অসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৬,৮০০ হেন্না কাইথোক্লি। স্কিম অসি লৈবাক অসিগী রাজ্য ১৫ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ঙমখৈ খুলশিংদা পায়খৎলি। স্কিম অসিনা ঙমখৈ লান্না আইন্না য়াদবা থবকশিং চখ্তরকপা থিংনবা অমসুং লৈবাক মনুংগী ঙাকশেলগী থবক ফগৎহনবদসু মতেং পাংলি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা লুচিংদুনা এম.এল.এশিংনা আই.দি.পিশিং উন্নখ্রে, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, এম.এল.এশিং পাউলৈনলাল, লেতজামাং অমসুং এল.এম. খৌতেসু ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা য়াওখি

হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোপুলর গভর্নমেন্টকী অশেংবা মশক সি.এম. খেমচান্দনা মীয়ামদা উৎখ্রে, সি.সিপুর, কাংপোকপী অমদি ইম্ফালদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী ৱাকৎ তাখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সি.এস.ওশিংনা কাংলুপ অনিগী মরক্তা থাজনবা হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কেবিনেট এক্সপানসন তৌনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর হয়েং দিল্লি চৎলগনি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ১৭, য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৫ গা এস.আই.আর এপ্রিলদগী হৌনবা ই.সি.আইনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রিছোর্সশিং খুনবা ঙম্লবদি মণিপুর চাওখৎকনি হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপদা চত্থরমখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা পাউমীশিংনা ঙসি প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শাবা লোশিল্লক্লবা মল্টি লেবেল পার্কিং য়াওনা ইমা কৈথেলগী মখাদা লৈরিবা পার্কিংশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পি.আই.বিগী দিরেক্তর ইঙম পামেনা কেরলা টুর চৎকদবা মিদিয়া দেলিগেসনশিংগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

-----